# এস ৱাই য়ু সীনা পি ঐচ এ এমবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৬ মখাগী নুপীগী মেচতা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌনা পি ঐচ এ এম ফাম ইম্ফালবু মায়থীবা পীখ্রে।

চহী ১৬ মখাগী নুপীগী কেটাগোরিদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী অমসুং চহী ১৪ মখাগী নুপাগী কেটাগোরিদনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অমসুং পি ঐচ এ এম ফাম ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদু পি ঐচ এ এমনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৯শুবা মিনটতা পি ঐচ এ এমগী জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ তরুন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী পি ঐচ এ এমনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা ৱাই সী সী আই সীগী শান্নরোয়শিংনা পি ঐচ এ এমগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চত্থরবসু পি ঐচ এ এমগী শান্নরোয়শিংনা এটেকশিং অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদু পি ঐচ এ এমগী শান্নরোয়শিংনা খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকখি। মেচকী ২৯শুবা মিনটতা পি ঐচ এ এমগী কে ঐচ তরুন্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। মিনট ৬ কান্নরগা মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা অমুক পি ঐচ এ এমগী জর্সি নম্বর ৯ এন দুত্তনা পেনালটি কোর্নরদগী গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-০দা চাউনা মাঙজিল থাখি। ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী গোলশিং অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চত্থরবসু এটেকশিং অদু অরেম্বা তাখি।

মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা পি ঐচ এ এমগী জর্সি নম্বর ১২ এন পাইখোম্বনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু পি ঐচ এ এমনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী পি ঐচ এ এমগী মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৬ মখাগী নুপীগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী গ্রুপ এগী মেচ ওইনা পি ঐচ এ এম ইম্ফাল অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী এস ৱাই য়ু সীগী শান্নরোয়শিংনা লাকশিন্দুনা শান্নবা উখি। মেচকী ৪শুবা অমসুং ৫শুবা মিনটতা এস ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ১৬ এস ঐচ তনু অমসুং জর্সি নম্বর ১০ ঐচ বিদ্যালক্ষমিনা গোল অনী মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০দা লৈখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীকুপ মেচকী ১৫শুবা মিনটতা এস ৱাই য়ু সীগী এস ঐচ তনুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌনা পি ঐচ এ এম ইম্ফালবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

প্রসিদেন্ট কপ হোকি টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৪ মখাগী নুপাগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এস ঈ ৱাই ও ৱাংমা ক্ষত্রি লৈকায় অমসুং বিষ্ণুপুর হোকি শান্নখি।

অহানবা হাফকী ১৫শুবা মিনটতা বিষ্ণুপুর হোকিগী জর্সি নম্বর ১০ থোকচোম দোনেলনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। এস ঈ ৱাই ওগী মায়কৈদগী দোনেলনা চনখিবা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ২৭শুবা মিনটতা এস ঈ ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ৪ এ অমরজিৎনা বিষ্ণুপুর হোকিগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৩৭শুবা মিনটতা বিষ্ণুপুর হোকিগী জর্সি নম্বর ৯ থোকচোম বিক্রমজিৎনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মিনট ২ কান্নরগা এস ঈ ৱাই ওগী মায়কৈদগীসু জর্সি নম্বর ১৭ আই রোহিটনা পেনালটি কোর্নরদগী গোল অমা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু গোল ২-২দা অমুক লৈহনখি। মেচকী লোইরমদাই হায়বদি মেচকী ৫০শুবা মিনটতা এস ঈ ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ৪ এ অমরজিৎনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-২দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা বিষ্ণুপুর হোকিগী মায়কৈদগী এস ঈ ৱাই ওগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

# মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাং ওল ইন্দিয়া য়ু-১৯গী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

চান্দিগড়, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস) ঃ ইন্দিয়াগী পঞ্জাবতা লৈবা চান্দিগড়া সিটিদা পাঙথোক্লিবা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী চহী ১৯ মখাগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মণিপুরগী শান্নরোয় মৈরাবা লুৱাং ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

চান্দিগড়দা পাঙথোক্লিবা ওল ইন্দিয়া জুনিয়রগী চহী ১৯ মখাগী শান্নরোয়শিংগী ওইবা রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী খনগৎলকপা শান্নরোয়শিংনা চহী অসিগী নবেম্বর থাদা কানাদানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবা শান্নরোয় খনবগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি।

চান্দিগড়রগী ওল ইন্দিয়া জুনিয়র য়ু-১৯ রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা মাইস্নাম মৈরাবনা সেমী ফাইনেলদা টেলঙ্গনাগী শান্নরোয় এম থরুনবু ১৯-২১, ২১-১২, ২১-১৫দা থোইদুনা ফাইনেলদা কেরলাগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সীদেদ ওইরিবা কিরন জোর্জকা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, চান্দিগড়গী বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতগী লাকপা শান্নরোয় ৮৮৮না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরকপদা মণিপুরগী মৈরাবনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# সনায়াইমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএ-সন (এ এম জি এ) গা লোয়ননা কোচশিং, পি ঈ টি এস, সাইগী জিম্নাষ্ট অমদি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মণিপুর অমসুং পেরেন্টশিংনা এসোসিএসন অসিগী হান্নগী মেম্বরসু ওইরম্বা সাইগী জিম্নাষ্টিক্স কোচ সনায়াইমা লাইশ্রমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

সনায়াইমা লাইশ্রমনা খঙহৌদনা থা অসিগী ২১দা লৈখিদবদা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসন, কোচ, পি ঈ টি এস, সাইগী জিম্নাষ্টিশিং, য়াস দিপার্টমেন্ট অমদি পেরেন্টশিংনা ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. এস শান্তিকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা সনায়াইমা লাইশ্রমনা এসোসিএসন অসিগী অমসুং ষ্টেট অসিদা জিম্নাষ্টিক মশানবু চাওখৎহন্নবা লৌরম্বা থৌদাংবু ইকায়খুম্নখিবগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিখি। ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এ লোকেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




HL-B/4876/22/9-21/10

# ইম্ফাল ৱেষ্ট ২০১৮ বোদিবিল্ডিং কন্টেষ্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৩দা য়ুরেম্বম মখা মমাঙ লৈকায় ফুটবোল লম্পাক্তা ১৬রকশুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট সেনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর, মেন্স ফিজিক অমসুং ৱিমেন্স বোদিবিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। কন্টেষ্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা কোন্থৌজম কেন্দ্রগী এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জন্না চীফ গেষ্ট অমদি তোঙান তোঙানবা কেন্দ্র অসিগী মরুওইবা মীহুৎ কয়ানা শরুক য়াদুনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট কেসোনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস কুইজ - ৭৯

১। চাইনানা হৌদোকখিবা মশান্না অমা জপান্না য়াম্না পান্থা মশান্না অমা ওইখি। মশান্না অসি চাইনাদা কয়া থৌওইবিদে। কুমজা ১৯৬০দা জপানগী টিম অমা চাইনাদা লাক্তুনা মশান্না অসি ৩০রক শিংনখিবদা জপান্না ২৮ লক থোইখি। মশান্না অসিগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৭৯দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। মশান্না অসিগী মমিং পীয়ু।

২। মহাক ওলেম্পিক্কী হিয়াং তান্নবদা সনাগী মেদল অনী ফংখি। অমেরিকাগী প্রসিদেন্টকী ভোট লেপ্পদা কাখিদে। মহাক মালেম শিনবা থুংনা ফাওবা দাক্তর অমনি। মহাক কনানো?

৩। কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন শেমখি। চহী অদুমক্তদা ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী লূপ অমসু শেমখি। শান্নবগী লূপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪। ওলেম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াখিবা নিপা অমনা মহাক্কী নূং অদু লংবা মতমদা জজনা দিসক্কালিফাই অনীরক পীখি। মরমদি মহাক্না নূং লংবা মতমদা মখজাই শোক্না নূং অদু থমগদবনি নৎত্রগা খজাই ময়াদা য়াম্না নক্না লেংজুমদা থল্লগা লংগদবনি। মহাকপু দিসক্কালিফাই ওইহনখিবদি মহাক্না চৎন-কাঙলোন অদু ঙাকখিদবননি। নূং অদু অনীরক হুনবদা দিসক্কালিফাই ওইখিবদগী মহাক শাউদুনা অহুমশুবা নূং অদু লংখিদে, মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)







HL-P/5416/23/9-2/10

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com